**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 17-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলদা মীতৈশিং কুকি তাবা মফমশিং ফাওদুনা চৎপা য়ারোই হায়বা ভিদিও অমা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং মসিদা চেন্নবা কে.এস.ও দিল্লিগী প্রসিদেন্টকী মথক্তা এফ.আই.আর লৌখৎখ্রে।

২) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

৪) সরকারনা রাজনীতি দলশিংগী মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ভারতকা অফবা মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা পাকিস্তান্না শৌগৎপা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বদু খঙহনগদৌরি।
অমসুং

৫) মণিপুরগী সিংগামযুম সামিনা লুচিংবা ভারতকী টিমনা হয়েং সাফ অন্দর ১৯ চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা বঙ্গলাদেসকা থেংনরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ উখ্রুল জিলাদা পাঙথোক্কদবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলদা মীতৈশিং কুকি তাবা মফমশিং ফাওদুনা লাকপা য়ারোই হায়বা ভিদিও অমা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুংদা মণিপুর পুলিসনা মসিদা চেন্নবা কে.এস.ও

দিল্লিগী প্রসিদেন্ট পাউজাখুপ গুইতেগী মথক্তা এফ.আই.আর লৌখৎখ্রে।

মণিপুর পুলিসনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলপা ৱারোল অমদা হায়- মীওই অসিগী মথক্তা চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসন্না এফ.আই.আর অমা পাল্লে অমদি মহাকপু ফানবা মনাক নকপদা লৈবা জিলাশিংগী পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক য়ামা কন্না চথরি। য়ুমথংনরিবা মিজোরম, অসাম, নাগালেন্দ অমসুং মেঘালয়গী পুলিসতসু মীওই অসি অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবসু হায়জখ্রে।

শিরুই ফেষ্টিভেল য়াওবা লাক্লিবশিংদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা তঙাইফদবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলেহায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

উখ্রুল (এল)ঃ চহি অসিগী ওইনা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা রন ফোর নোংইন মরাথোন রেস ঙসি উখ্রুল জিলাগী ফুংরৈতাংদা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী মরাথোন রেস অদুদা নাগালেন্দগী ৱাদে টি-মেরোহনা ৱিন্নর ওইখি। তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা শান্নরোই ৩৭৩ না শরুক য়াখিবা কিলোমিতর ১১ শাংবা মরাথোন অসি উখ্রুল টাউনদগী হৌরগা শিরুই চীংগী চীংখোঙদা লোইশিনখি।

লমশাং লমজেল অসিগা মরী লৈননা মফম অসিদা তারিবা অমোৎ অকায়শিং খোমজিনবগী লমজেল থ্রাস কল্লেক্সন মরাথোন রেসতনা উখ্রুলগী গ্রেস সটসংনা মকোক তাখি। কিলোমিতর ১ হেন্না চেনখিবা লমজেল অদুদনা মীওই ১১৬ না শরুক য়াখি।

মকোক মথং তারবা শান্নরোইশিংদা ফেষ্টিভেল অসিগী মপুং ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ভংগায়ন হেরিতেজ সাইটতা জিলা অসিগী দি.এফ.ও লাইশ্রম গিতলানা মনা মথুমশিং পীখি।

উখ্রুল জিলাদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা শিরুই ফেষ্টিভেল মনুংদা লম্বী কা হেন্না চিনবগী অৱাবা মায়োকদনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট উখ্রুলনা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা থমখ্রে। এদ্দিসনেল দিষ্ট্রিক্ট

মেজিষ্ট্রেট উখ্রুল পোলি মকাননা থোরকপা চেরোল অমদা হায়- থা অসিগী ১৯ দগী ২৫ ফাওবা উখ্রুল সহরদা পোৎ চৈ পুবা অচৌবা গাড়িশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থমলে। সহর অসিদা লল্লোন ঈতিক তৌরিবা মীওইশিং, লনাই মীওইশিংনা লম্বীগী মতাইদা থল্লিবা য়ুম শাবদা শিজিন্নবা পোৎলমশিং অথুবা মতমদা লৌথোকবা এ.দি.সিগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

দ্রিল (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল, তমেংলোং অমসুং কাংপোকপীনা শিনদুনা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা সিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল ঙসি জিলাশিং অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌবাল জিলাদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা মোক দ্রিল অমা চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। মোক দ্রিল অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-হনা কামৈ, এ.দি.এমনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা জিলা অসিগী এ.দি.এম- বি. লোকেশ্বর শর্ম্মনা হায়- ঙসিগী মোক দ্রিল অসিদা শরুক য়াখিবা মীয়ামা মখোয়গী ময়ুম ময়ুমদা হনখ্রবা মতুংদা শরুক য়াহৌদবা মীওইশিংদা মখা তানা তম্বীগদবনি।

কাংপোকপীদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা মোগ দ্রিল ঙসি জিলা অসিগী এলিদ হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ব্রিগেদিয়ার এম. থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা মোক দ্রিল অসিদা ফয়ার সার্ভিস, সি.আর.পি.এফ, পুলিস, মেদিকেল দিপার্টমেন্ট অমসুং কাংপোকপী টাউনগী মনাক নকপা খুলদগী লাকপা মহৈরোই অমসুং মীয়াম া শরুক য়াখি।

তমেংলোংদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা জিলা অসিগী এক্লাভিয়া মোদেল রেসিদেন্সিয়েল স্কুলদা ওপরেসন অভিয়াসকী মখাদা দিভিল দিফেন্স মোগ দ্রিল পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি, এদ্দিসনেল এস.পি, এস.দি.ওনচিংবা শরুক য়াখি। মোক দ্রিল অদুদা অসাম রাইফলস, সি.আর.পি.এফ, মণিপুর রাইফলস, ফয়ার দিপার্টমেন্ট অমদি হকশেল বিভাগকী

মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ৱাৰ্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী মফম কয়াদসু পাঙথোকখ্রি। কুমশিগী হিরমদি- ব্লড প্রেসর নিয়ম চুমা ওনবা অমদি মসি কন্ট্রোল তৌদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা হায়বা অসিনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যগী নোন-কম্যুনিকেবল দিজিজ এন.সি.বি সেলনা নেসনেল হেলথ মিসন্না মে থা অসি হাইপর টেন্সনগা মরী লৈনবা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্লুনা লাকপনি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা নেসনেল হেলথ মিসন ষ্টেট এন.সি.দিগী নোদেল ওফিসার ডাঃ য়ুমখায়বম প্রেমচন্দ্র সিংহনা হায়- ষ্টেট এন.সি.দি সেলনা থা অমা চুপা হাইপর টেন্সনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমশিংদা মীয়ামা কান্নবা লৌবীয়ু।

নুমিৎ অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি অমসুং অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্তর শিংজমৈনা শিন্দুনা ইরোম য়ুমজাউ লাইরেম্বী কম্যুনিতি হোল শিংজমৈ ফুরা মখোঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট ডাঃ এন.জি. দয়াবতি দেবীনা হায়- ঐখোয়গী হকচাং ফনা থমবা হোৎনবদা চাং নাইনা বি.পি. চ্যেক তৌবা অমদি ঈ টেষ্ট তৌথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়ামা লৈকাই লৈকাইদা লৈরিবা আশা ৱার্করশিংগী মনাক্তা চত্তুনা মখোয়দা সরকারনা পীরিবা বি.পি. ইন্সত্রুমেন্ট শিজিন্নদুনা তোইনা চ্যেক তৌথোকপা য়াই।

নুমিৎ অসি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, ইম্ফালনা শিনদুনা ঙসি নুংথিল উরিপোক্তা লৈবা চৈরাক কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চৈরাপ কোর্টতা থবক তৌরিবা উকিলশিং অতৈ মীওই কয়াগী ব্লড প্রেসর য়েংখি অমদি স্পিসিএলিষ্ট ডাক্তরশিংনা হাইপরটেন্সনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

নুমিৎ অসি চান্দেল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং নন- কম্যুনিকেবল দিজিজ অনিনা পুন্না শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চান্দেলদা

পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি চান্দেলগী মেদিকেল ওফিসারশিং, এ.এন.এম, ষ্টাফ অমদি আশা ৱার্করশিং শরুক য়াখি।

ককচিং জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি অমসুং এন.সি.দি সেলনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী থৌরম সি.ঐচ.সি ককচিংগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

থৌবাল জিলাগী ওইনা ৱাই.কে. কলেজ ৱাংজিংদা এন.সি.দি সেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

ৱার্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী থৌরম অসি তমেংলোং অমসুং জিরিবাম জিলাশিংদসু পাঙথোকখি।

সেনিয়র সিতিজন্স সোসাইতি খুন্দ্রাকপম এ.সিনসু পাঙ্গৈদা লৈবা রাম স্‌লদা পাঙথোকখি।

সেক্তা (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সেক্তা প্রাইমারি স্কুলদা বেক টু স্কুল হায়না মীংথোনবা কেম্পেন অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসনগী মীৎয়েং মখাদা মুৎলরোইদবা পুন্সি ভি.এল.এফনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ- কে.ঐচ. ইবোমচানা হায়- লল্লাই কেন্দ্র অসিদা শেম্থোক লম্বী লৈজদবা মীওই কয়া লৈরি। মরম অসিদা মীয়ামা অখঙ অহৈশিং তান্নদুনা করমা কেন্দ্র অসি চাওখৎ লম্বীদা পুরকবা হোৎনমিন্নবগী তাঙাইফদবা লৈ।

নুরুল (এল)ঃ ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ শৈখ নুরুল হাসন্না কেন্দ্র অসিগী ক্ষেত্রি অৱাং লৈকাইদা ফাওদুনা চেল্লিবা ইরিল তুরেলগী তোর্বানগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা ৱাটর রিছোর্সেসকী এদ্দিসনেল চীফ ইঞ্জিনিয়ার, এস.ই, একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারনচিংবসু লোয়নখি। ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ইঞ্জিনিয়ারশিংনা লৈবাক্কী চাংয়েং তৌদুনা অথুবা মতমদা তুরেলগী তোর্বানশিং অসি শেমজিন্নবা এম.এল.এগা খন্নখি।

দেলিগেসন ঃ  ভারত সরকারনা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা য়ুনাইতেদ নেসন্স সেক্যুরিতি কাউন্সিল য়াওনা ভারতকা অফবা মরী লৈনবা লৈবাকশিংদা পাকিস্তান্না শৌগৎপা তেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্লি হায়বদু খঙহনগদৌরি।

মীহুৎ কাংবু অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংদা চত্তুনা ভারতনা তেরোরিজমগী মায়োক্তা চপ চানা লেপলি হায়বগী পাউজেল পীগনি। মখোয়গী খোঙচৎ অসি থা অসিগী অরোইবা শরুক্তগী হৌগনি।

বি.জে.পিগী রবি শঙ্কর প্রসাদ অমসুং বাইজয়েন্ট পান্দানা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অসিদা কংগ্রেসকী শশি থারুর,জে.দি.য়ুগী শঞ্জয় কুমার ঝা, দি.এম.কেগী কানি মোজি, এন.সি.পিগী সুপ্রিয়া সুলে অমসুং শিব সেনাগী শ্রীকান্ট একনাথ সিন্দে য়াওরি।

খোঙথাং অসিগী মতাংদা পল্লদুনা কেন্দ্রগী পার্লিয়ামেন্টরি এফয়ারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- মীহুৎ কাংবু অসিনা ভারতনা তেরোরিজম মরু ফংনা মুখৎনবগী পাউজেলশিং মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদা খঙহনগনি।

ভিপি ঃ   উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- ভারতকী মীপুম খুদিংমকা লৈবাক অসি ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌগদবনি।

নিউ দিল্লিদা জয়পুরিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্টকী চহিগী কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী ধনখরনা হায়- লল্লো ঈতিক, কন্মর্স, ত্রেদ অমসুং ইন দষ্ট্রিগী লমনা লৈবাক অসিগী সমস্যশিংদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- ওপরেসন সিন্দুর মায় পাকা চথখ্রে।

সাফ (এল)ঃ  সাডথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসনননা শিনবা সাফ অন্দর ১৯ চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা হয়েং ভারতকা বঙ্গলাদেসকা শান্নরগনি। ফাইনেল মেটচ হয়েং নুমিদাং পুং ৭ তা অরুনাচল প্রদেশকী য়ুপিয়াদা লৈবা গোল্ডন জবিলি ষ্টেদিয়মদ শান্নগনি। ভারতকী টিম অসি মণিপুরগী য়াইরিপোক ঙারিয়ানদগী সিংগাময়ুম ফিরোজগী মচানুপা সিংগাময়ুম সামিনা কেপ্তেন ওইদুনা লুচিংলি।

ভারতকী ওইনা সাফকী অন্দর নাইন্তিন চেম্পিয়নসিপতা কেপ্তেন ওইদুনা টিমবু লুচিংবা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসিগা লোয়ননা ভারতকী টিম অসিদা মনিপুরদগী ওম,দি. অরবাস, অহৈবম সুরত, তখেল্লম্বা ভুষন, থোকচোম মালেমঙানবা, ব্রহ্মাচারিময়ুম সুমিত শর্ম্মা, থাংজম রোসন, থাংজম দেনি, নিংথৌখোংজম রিসি, অহোংশংবম শ্যামসন, লাইরেঞ্জম ভারত অমসুং চফাময়ুম রোহেন শরুক য়ারি।

হৌজিক মণিপুরদগী শান্নরোই মশিং য়ামা য়াওরিবা ভারতকী টিম অসিনা ফাইনেলদা বঙ্গলাদেশকা থেংননবা চপ চানা শেম শাদুনা লৈরে।

কাং(এল)ঃ শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপ য়াইস্কুল কাংশঙদা চখুরিবা ১৮ শুবা প্লেয়ারস ত্রোফি লিক কম নোক আউট কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা গোপালদেবনা ক্লাসা টিম-বিবু পাঞ্জল ১৯-৯ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ লমলোং থোঙখোং আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চখুরিবা অনিশুবা পেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ এফ.সি. রেংদাইনা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ তকৱা ত্রোফিগী ঙসি তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা জি-ফাইভ হৈরোকা দি.এল.ও ষ্টার ক্যামগৈবু পাঞ্জল ১-০ দা, শলুংফম এফ.সিনা য়াইরিপোক এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা মঙাল ফাউন্দেসন, মায়পাকপী ওর্গনাইজিং কমিতিনা সিতি ক্লবকা খুৎশমরগা শিনবা অহুমসুবা মায়পাকপী মেমোরিয়েল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা সনা এফ.সি থৌবালনা জে.এফ.সি.সি হৈরোকপু পাঞ্জল ৪-০ দা অমসুং ফুটবোল লভরস মণিপুরনা ৱাংজিং য়ুনাইতেদ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

------